

# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, THURSDAY, JUNE 20, 2019 PAGE 7




*রোয়েল স্পেনিস ফুটবোল ফেদরেসননা লৈবাক অসিগী নেসনেল ফুটবোল টিমগী অনৌবা হেদ কোচ ওইনা খনখ্রবা রোবার্ট মোরেনো*

*ফিফা ৱুমেন্স ৱার্ল্ড কপকী মেটচ অমদা জমাইকাবু ৪–১ দা মায়থিবা পীবদা ওষ্ট্রেলিয়াগী মায়কৈদগী গোল ৪ মক চনখিবা সাম কের*

## *আই সি সি ৱার্ল্ড কপ ঃ* ৱিলিয়মসনগী সেঞ্চুরিনা ন্যু জিলেন্দনা সাউথ অফ্রিকাবু ৱিকেট ৪ দা থোইখ্রে



*বিরমিংহাম, জুন ১৯ (এজেন্সি)ঃ*
ইংলেন্দ অমদি ৱেলসনা য়ুম্বু ওইদুনা চখরিবা আই সি সি ক্রিকেট ৱার্ল্ড কপকী ঙসি শান্নখিবা ২৫শুবা মেটচতা ন্যু জিলেন্দনা সাউথ অফ্রিকাবু ৱিকেট ৪ দা মায়থিবা পীখ্রে।

২৫শুবা মেটচ অসিগী টোস ন্যু জিলেন্দনা ঙমদুনা বোল্লিং হান্না তৌখি। সাউথ অফ্রিকানা হান্না বেট্টিং তৌদুনা শান্নরকপদা ওভর ৪৯ দা ৱিকেট ৬ আওট ওইরগা রন ২৪১ লৌখি। ফিল্ড চোৎপদগী ওভর ৫০ শান্নগদবা অদু ওভর অমা ককথরগা ওভর ৪৯ শান্নহনখিবনি।

সাউথ অফ্রিকাগী ওপনর ক্বিন্টোন দি কোক শুপ্নগী রন ৫ লৌরম্লগা আওট ওইখি। ৩শুবা বেটসমেন ওইনা চঙলকখিবা টিম অসিগী কেপ্টেন ফাফ দু প্লেসিসনা অতোপ্পা ওপনর হাসিম আমলাগা পাদুনা শান্নরকপদা ফাফ দু প্লেসিস মশাগী রন ২৩ লৌরম্লগা আওট ওইখি। মতম অসিদা সাউথ অফ্রিকানা ৱিকেট ২ আওট ওইখিবদা রন ৫৯ দা লৈখি।

ওপনর হাসিম আমলা বোল ৮৩ দা ফোর ৪ য়ৈরগা রন ৫৫ লৌরম্লগা আওট ওইখি। নৌনা চঙলকখিবা এদেন মারক্রাম অমদি ৫শুবা বেটসমেন রেজি ভান দর দুসেননা য়াম্না ফজবা পার্টনর্সিপ অমা শেম্নবা হোৎনরকখি। অদুবু এদেন বোল ৫৫ দা ফোর ৪ য়ৈরগা রন ৩৮ দা আওট ওইখি।

৬শুবা বেটসমেন ওইনা চঙলকখিবা দেবিদ মিল্লরসু রন ৩৬ লৌরম্লগা আওট ওইখি। ৫শুবা বেটসমেন ওইনা চঙলকখিবা রেজি ভান দি দুসেননা খ্বাইদগী ফজবা ওইনা বোল ৬৪ দা সিক্স ৩ অমদি ফোর ৩ য়ৈরগা আওট ওইদনা রন ৬৭ লৌরম্বা অসিনা খ্বাইদগী ফজবা স্কোর ওইখি।

ন্যু জিলেন্দনা মায় পাক্নবগী রন ২৪২ লৌবগী মথৌ তাখিবা অদু ৪৯শুবা ওভরগী ৩শুবা বোলদা লৌবা ঙমদুনা মেটচ অদু ৱিকেট ৪ দা মায় পাকখি।

ন্যু জিলেন্দগী ইন্নিংস অদু মার্টিন গুপ্তিল অমদি কোলিন মুনরোনা হৌদোরকখি। ওপনর মুনরো শুপ্নগী রন ৯ খক লৌরম্লগা আওট ওইখি। নৌনা চঙলকখিবা কেন ৱিলিয়মসননা ওপনর মার্টিন গুপ্তিলগা য়াম্না ফজবা পার্টনর্সিপ অমা শেমদুনা রন লৌবগী চাং ৱাংহনখি। ওপনর মার্টিন গুপ্তিল বোল ৫৯ দা রন ৩৫ লৌরম্লগা আওট ওইখি।

৬শুবা বেটসমেন জেমস নিসামসু রন ২৩ লৌরমখি। ৭শুবা বেটসমেন ওইনা চঙলকখিবা কোলিন দি গ্রান দহোমসু য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা রন ৬০ হাপচিল্লগা আওট ওইখি।

ন্যু জিলেন্দগী মায়কৈদগী ৩শুবা বেটসমেন ওইনা চঙলকখিবা কেপ্টেন কেন ৱিলিয়মসননা য়াম্না ফজবা বেট্টিংগী পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা বোল ১৩৮ দা সিক্স ১ অমদি ফোর ৯ য়ৈরগা আওট ওইদনা রন ১০৬ লৌরম্বা অসিনা খ্বাইদগী ফজবা পার্ফোমেন্স ওইদুনা মেটচ অসি ৱিকেট ৪ দা মায় পাকখি।

## *ফিফা ৱুমেন্স ৱার্ল্ড কপ ২০১৯ঃ* ব্রাজিল অমদি ওষ্ট্রেলিয়া গ্রুপ মেটচশিং মায় পাক্তুনা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে



*পেরিস, জুন ১৯(এজেন্সি)ঃ*
ফ্রান্সনা য়ুম্বু ওইদুনা চখরিবা ফিফা ৱুমেন্স ৱার্ল্ড কপকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ 'সি' গী মেটচশিংদা ব্রাজিল অমদি ওষ্ট্রেলিয়া মায় পাক্তুনা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

ফিফা ৱুমেন্স ৱাল্ড কপ অসিগী গ্রুপ 'সি' গী ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচতা ব্রাজিলনা ইটালিবু পাঞ্জল ১–০ দা থোইদুনা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। ইটালি মাঙজৌননা গ্রুপ অসিগী মকোক ওইদুনা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রবনি।

ব্রাজিল অমদি ইটালিনা শান্নখিবা মেটচ অদু হেক হৌবদগী য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্নদুনা লাকখি। মায়কৈ অনীদগী পাঞ্জল চনশিনবগী খুদোংচাবা খরা ফংনখ্রবসু মখোয়–মখোয়গী গোলকিপরশিংনা মথৌ নীংথিনা তৌখিবদগী অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবা ফাওবদা টিম অনীমক পাঞ্জল অমত্তা চনশিনবা ঙম্নদনা লাকখি।

অনীশুবা হাল্ফকী শান্নবা হেক হৌরকপদগী মায়কৈ অনীদগী পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনরদুনা এটেক কয়া চখনদুনা লাকখি। মেটচকী ৭৪শুবা মিনটতা ব্রাজিলনা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা টিম অসিগী শান্নরোই মারটানা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

মারটানা ঙসি চনখিবা পাঞ্জল অসি থারগা পুন্না গোল ১৭ শুদুনা ৱার্ল্ড কপকী পুৱারীদা খ্বাইদগী গোল য়াম্না চনবা ঙম্বগী অনৌবা রেকোর্দ থম্বা ঙমখি। রেকোর্দ অসি মমাঙদা জর্মনিগী ফোরৱার্দ শান্নরোই মিরোস্লাভ ক্লোজনা গোল ১৬ চন্দুনা থম্লম্বনি।

ফিফা ৱুমেন্স ৱার্ল্ড কপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ 'সি' গী অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ওষ্ট্রেলিয়ানা জমাইকাবু পাঞ্জল ৪–১ দা মায়থিবা পীদুনা গ্রুপ অসিদা অনীশুবা পোজিসন তাদুনা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখি।

মেটচ অসি হেক হৌরকপদগী ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোইশিংনা খুদুম চন্দুনা লাকখি। শান্নবগী ১১শুবা মিনটতা বোল হেন্না পায়বা ঙমখিবা ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোইশিংনা চখরকখিবা এটেক অমদা সাম কেরনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

পাঞ্জল শোত্থদুনা লৈরিবা জমাইকাগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোক্নবা ওষ্ট্রেলিয়াগী মায়কৈদা এটেক কয়া চখদুনা ইক্বেলাইজর ওইনবা হোৎনরকখিবশিং অদু ওষ্ট্রেলিয়াগী দিফেন্দরশিংনা ফজনা ঙাক শেন্দুনা লৈখিবদগী পাঞ্জল মান্নহনবা ঙমদনা লৈখি।

জমাইকাগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ মেটচকী ৪২শুবা মিনটতা ওষ্ট্রেলিয়াগী মায়কৈদগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা সাম কেরনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হেক হৌরকপা মেটচকী ৪৯শুবা মিনটতা জমাইকাগী শান্নরোই হাভানা সোলাওননা পাঞ্জল অমা চল্লবসু ১–২ দা শোত্থদুনা লৈখি।

মেটচকী ৬৯শুবা মিনটতা ওষ্ট্রেলিয়াগী মায়কৈদগী মমাঙদা পাঞ্জল অনী চনবা ঙমখ্রবা সাম কেরনা মহাক্কী হেটট্রিক পাঞ্জল অদু চন্দুনা ৩–১ দা মাঙজিল থারগা মেটচ অসি মায় পাকপগী লম্বেলদা পুশিল্লকখি।

শান্নবগী ৮৩শুবা মিনটতা ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোইশিংনা চখরকখিবা এটেক অমদা সাম কেরনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু মখোয়না জমাইকাবু পাঞ্জল ৪–১ দা মায়থিবা পীরম্লগা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখি।

## সরন দবলসকী প্রি–ক্বার্টরদা লৈহৌরে

*হাল্লে, জুন ১৯(এজেন্সি)ঃ*
জর্মনিগী সিটি হাল্লেদা পাঙথোকপা য়ুরো ২,২১৯,১৫০ গী শেলগী মনা লৈবা এ টি পি টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী দবলসকী শান্নরোই দিভিজসরন প্রি–ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থিহৌরে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা দবলসকী প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ইন্দিয়াগী দিভিজ সরন অমদি ব্রাজিলগী মার্সেলো মোলো ওষ্ট্রিয়াগী ওলিভর মারাক অমদি জরগেন মেলজরগী মখূত্তা ৫–৭, ৬–৭(৭–৫) দা মায়থিহৌবনি। বৃটেনদা পাঙথোকপা টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী জিবন নেদুনচেজিয়ান অমদি পুরব রাজা মায় পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।





MARU BARBER

NH2 MALOM TULIYAIMA
NEAR OIL DEPOT-795003

8837335122
MARU BARBER

We the staffs of MARU BARBER shop warmly welcoming all the customers. Please get an experience of stylish, hygienic work with a good hospitality.

Men's only

Timing
7am-7pm

*Special discount on facial for Grooms only

SL/4930/15 days14/6/19


## ইন্দিয়াগী এঠলিট চিত্রা অমদি শ্রিসঙ্করনা গোল্ড মেডল অমমম লৌখ্রে, জিন্সন জোন্সননা সিলভর ফংখ্রে





*সোল্লেন্টুনা, জুন ১৯(এজেন্সি)ঃ*
স্বিদেনগী সিটি সোল্লেন্টুনাদা পাঙথোকখিবা ফোল্কসাম গ্রান্দ প্রিদা ইন্দিয়াগী এঠলিট পি য়ু চিত্রানা মিটর ১৫০০ গী লমজেলদা গোল্ড মেডল লৌখ্রে অমদি নুপাগী মিটর ১৫০০ গী লমজেলদা জিন্সন জোন্সন সিলভর ফংহৌরে। মুরালি শ্রিসঙ্করনা দেনমার্ককী কোপেনহেগেনদা পাঙথোকখিবা কোপেনহেগেন এঠলেটিক্স গেমসতা গোল্ড মেডল অমা লৌখ্রে ।

এসিয়ান চেম্পিয়ন ওইরিবী ইন্দিয়াগী এঠলিট পি য়ু চিত্রানা ফোল্কসাম গ্রান্দ প্রিগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপীগী মিটর ১৫০০ গী লমজেলদা মমাঙদা কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসকী চেম্পিয়ন ওইরম্লবী কেনিয়াগী মর্সি চেরোনোবু মায়থিবা পীরম্লগা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি।

ফোল্কসাম গ্রান্দ প্রিগী নুপীগী মিটর ১৫০০ গী কম্পিটিসন অদুদা ইন্দিয়াগী এঠলিট পি য়ু চিত্রানা ৪ঃ১২.৬৫ সেকেন্দদা চেন্দুনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

ইভেন্ট অসিগী সিলভর মেডলনা মমাঙদা কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসকী চেম্পিয়ন ওইরম্লবী কেনিয়াগী মর্সি চেরোনোনা ৪ঃ ১৩.৩৪ সেকেন্দদা চেন্দুনা লৌখি।

ফোল্কসাম গ্রান্দ প্রি অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী মিটর ১৫০০ গী লমজেলদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা এঠলিট জিন্সন জোন্সননা ৩ঃ৩৯.৬৯ সেকেন্দদা চেন্দুনা সিলভর মেডল ফংখি।

ইভেন্ট অসিদা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক স্বিদেনগী এঠলিট এনি দ্রয়াজ অলমাগ্রেননা ৩ঃ৩৯.৬৮ ফংদুনা ইন্দয়াগী এঠলিট জিন্সন জোন্সনদগী শুপ্নগী সেকেন্দ অমখক হন্থরগা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

অতোপ্পা পাও অমদি দেনমার্ককী সিটি কোপেনহেগেনদা পাঙথোকখিবা কোপেনহেগেন এঠলেটিক্স গেমসতা ইন্দিয়াগী নুপা এঠলিট মুরালি শ্রিসঙ্করনা মিনট ৭.৯৩ শান্না চোংদুনা ইভেন্ট অসিগী গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

ঙসি কোপেনহেগেনদা চোংখিবা অশাংবা অসি ফ্রান্সকী কোনুং লিওনদা পাঙথোকখিবদা চেম্পিয়ন্সিপকা মান্নখি। শ্রিসঙ্করনা কোপেনহেগেনদা মিটর ৭.৮৯, ৭.৮৮ অমদি ৭.৬১ সু চোংখি।

## কোপা অমেরিকা ফুটবোলদা পেরুনা বোলিভিয়াবু ৩–১ দা থোইখ্রে, ব্রাজিল অমদি ভেনেজ্বেলা পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে



*রিও দি জেনৈরো, জুন ১৯(এজেন্সি)ঃ*
ব্রাজিলনা য়ুম্বু ওইরগা চখরিবা কোপা অমেরিকা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ 'এ' গী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা পেরুনা বোলিভিয়াবু পাঞ্জল ৩–১ দা মায়থিবা পীখ্রে, গ্রুপ অসিগী অতোপ্পা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ব্রাজিল অমদি ভেনেজ্বেলা পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে।

পেরু অমদি বোলিভিয়ানা শান্নখিবা মেটচ অসি হৌরকপদা বোলিভিয়াগা শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না তৌদুনা লাকখি। পেরুগী শান্নরোইশিংনসু বোল হেক ফংবগা বোলিভিয়াগী মায়কৈদা পুশিন্দুনা পাঞ্জল হান্না চনশিন্নবা হোৎনরকখ্রবসু মিনট ২৫ হেন্না হৌজিনখ্রবা ফাওবদা টিম অনীমক পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি।

মেটচকী ২৭শুবা মিনটতা বোলিভিয়াগী শান্নরোইশিংনা চখরকখিবা এটেক অমদা পেরুগী শান্নরোই কার্লোস জম্ব্রানোনা মখোয়গী পেনাল্টি বোক্স মনুংদা চৎন–পথাপকী ৱাংমদা ফাওল তৌরুবগীদমক রেফরিনা বোলিভিয়াগী ফেভরনা পেনাল্টি অমা পীখি।

পেনাল্টি কিক অদু বোলিভিয়াগী শান্নরোই মার্সেলো মোরেনোনা অশোয়–অঙাম য়াওদনা কাওশিন্দুনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি। অহানবা হাল্ফকী অরোইবা মিনটতা পেরুগী শান্নরোই জোস পাওলো গুইরেরোনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা ১–১ দা মান্নরগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকখি। মেটচকী ৫৫শুবা মিনটতা পেরুগী অতোপ্পা শান্নরোই জেফরসন ফরফাননা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২–১ দা মাঙজিল থাবা হৌখি।

মখা তানা শান্নরকপদা পাঞ্জল মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা পেরুগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চখদুনা অহেনবা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনদুনা লাকখি। মেটচকী অরোইবা মিনটতা পেরুগী শান্নরোই ইদিসন ফ্লোরেসনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু পেরুনা বোলিভিয়াবু পাঞ্জল ৩–১ দা মায়থিবা পীদুনা নোক আওট ষ্টেজ য়ৌবগী খুদোংচাবা লৈখি।

গ্রুপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা ব্রাজিল অমদি ভেনেজ্বেলা পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখি। মেটচ অসিদা টিম অনীমক পাঞ্জল ওন্থোকপা য়াবগী খুদোংচাবা খরা ফংনখ্রবসু মায় পাকপা ঙম্নদনা লৈখি।

## রোবার্টনা স্পেনগী অনৌবা কোচ ওইখ্রে

*মাদ্রিদ, জুন ১৯(এজেন্সি)ঃ*
মমাঙদা স্পেনগী নেসনেল ফুটবোল টিমগী এসিষ্টেন্ট কোচ ওইরম্লবা রোবার্ট মোরেনো রোয়েল স্পেনিস ফুটবোল ফেদরেসননা লৈবাক অসিগী অনৌবা হেদ কোচ ওইনা খনখ্রে।

লৈবাক অসিগী মমাঙদা হেদ কোচ ওইরম্বা লুইস ইনরিক ময়ুমগী অচিনবা অমা লৈবদগী গেম ৩ থংন–থংননা য়েংশিনবা ঙমখিদবা মরম অসিনা স্পেনিস ফুটবোলনা রোবার্ট মোরেনোবু মহাক্কী ফম অসি পুহনখিবনি।

অহুম্লক য়ুরোপিয়ান চেম্পিয়ন ওইরম্লবা স্পেন নেসন্স লীগ গ্রুপ ষ্টেজদা ইংলেন্দগী মথংদা তাদুনা অনীশুবা পোজিসন তাহৌখি।

## সিঙ্গলস ৱার্ল্ড নম্বর ৱান জপানগী নাওমী ওসাকানা গ্রিসকী সকারি থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে

*বিরমিংহম, জুন ১৯(এজেন্সি)ঃ*
টেন্নিস মশান্নগী নুপীগী সিঙ্গলস ৱার্ল্ড নম্বর ৱান জপানগী নাওমী ওসাকা ইংলেন্দগী সিটি বিরমিংহমদা চখরিবা বিরমিংহম ক্লাসিক্কী অহানবা রাউন্দগী মেটচ মায় পাক্তুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

বিরমিংহাম ক্লাসিক টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবী জপানগী নাওমী ওসাকানা গ্রিসকী মারিয়া সাক্কারীবু ৩–১ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

মেটচ অসিগী অহানবা সেটতা জপানগী ওসাকানা য়াম্না ফজনা শান্নবা ঙমদুনা সাক্কারীগী সার্ভিস গেম অনী ৱেক তৌদুনা সেট অদু ৬–১ দা থোইখি।

অনীশুবা সেটতা সাক্কারীনা ফজনা শান্নরকপদগী জপানগী ওসাকাবু ৬–৪ দা থোইরগা মেটচ অসি সেট অমমম মান্নদুনা লৈখি।

অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং সেটতা জপানগী ওসাকানা ফজবা হেনখিবদগী সেট অদু ৬–২ দা থোইবা ঙমদুনা মেটচ অদু মায় পাক্তুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

নুপীগী সিঙ্গলসতা অহানবা রাউন্দ মায় পাকখিবশিং অদুদি জেক রিপব্লিককী কিরষ্টিনা প্লেজ কোভা, জর্মনিগী জুলিয়া জোর্জেস, ক্রোএসিয়াগী পেত্রা মার্টিক অমদি য়ুক্রেনগী য়ুলিয়া পুটিনসেভানি।

নুপীগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা অহানবা রাউন্দগী মেটচতা লাটভিয়াগী জেলেনা ওষ্টাপেনকোনা আইগা স্বিয়াটেকপু য়াম্না লায়না ষ্ট্রেট সেট অনী ৬–০, ৬–২ দা মায়থিবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

জেক রিপব্লিক্কী কিরষ্টিনা প্লিজ কোভানা ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচতা য়ুক্রেনগী ভিক্তোরিয়া টোমোভাবু ৬–৩, ৬–৪ দা মায়থিবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি। জর্মনিগী জুলিয়া জের্জেসনা য়ুক্রেনগী দেয়ানা য়াষ্ট্রেমস্কাবু ৩–৬, ৬–৪, ৬৪ দা থোইরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

ক্রোএসিয়াগী পেত্রা মার্টিকনা রুশিয়াগী একাটেরিনা আলেকজেন্দরবু ষ্ট্রেট সেট ৬–৩, ৭–৫ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।


M/S IMPHAL PRESS

Screen Printing & Rubber Stamps Works

Paona Bazar, Governor Road Crossing
Regd. No. 11/01/0171/PMS/SSI

Lengsinbirakshi

* Heijingpot bag
* Box
* Shirt
* Invitation Card
* Receive Book
* Letter Head
* Thesis Binding
* Seal
* Pre-Ink Seal
* Offset Printing
* Screen Printing

20% discount for physically challenge people, girls, students and army personal

লেঙশিনবীরকসি অমদি খুদোংচাবশিং অসি লৌমিন্নরসি

M/S IMPHAL PRESS
Paona Bazar, Governor Road Crossing
Phone No. 9774220295 / 8974359246

SL/4918/P/30 days-12-6


ক্রোসৱার্দ ১৯৪ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| S | H | E | D | ■ | O | P | E | R | A | ■ | P | R | A | M |
| W | E | R | E | ■ | P | L | E | A | T | ■ | H | E | R | O |
| A | R | I | A | ■ | T | A | N | G | O | ■ | A | C | I | D |
| T | R | E | L | L | I | S | ■ | E | P | I | S | O | D | E |
| ■ | ■ | ■ | ■ | A | C | M | E | ■ | ■ | D | E | N | ■ | ■ |
| P | A | C | T | S | ■ | A | S | I | D | E | ■ | S | I | R |
| A | L | E | R | T | S | ■ | T | R | E | A | T | I | S | E |
| T | O | R | E | ■ | T | E | A | S | E | ■ | I | D | L | E |
| S | H | E | E | R | E | S | T | ■ | M | E | L | E | E | S |
| Y | A | M | ■ | U | P | P | E | R | ■ | V | E | R | S | E |
| ■ | ■ | O | I | L | ■ | ■ | S | E | M | I | ■ | ■ | ■ | ■ |
| S | O | N | N | E | T | S | ■ | D | I | L | E | M | M | A |
| A | S | I | A | ■ | H | O | N | O | R | ■ | L | A | I | D |
| P | L | A | N | ■ | A | L | O | N | E | ■ | L | I | N | E |
| S | O | L | E | ■ | N | O | T | E | D | ■ | A | N | T | S |